# ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ ২০১৭ না ইন্দিয়াবু মালেমগী ফুটবোল মেপতা য়াওহনবা ঙম্লগনি

ন্যু দেল্লি, মার্চ ০৯ :
ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ ২০১৭ না ইন্দিয়াবু মালেমগী ফুটবোল মেপতা য়াওহনবা ঙম্লগনি হায়না ফুটবোল লেজেন্দ লুইজ ফিগো অমসুং রাইন গিগসনা ফোঙদোকখ্রে।

অন্দর-১৭ ফিফা ৱর্ল্ড কপনা ইন্দিয়াদা ফুটবোলগী অচৌবা শাফু অমা পীরগনি। মসিনা ইন্দিয়াবু মালেমগী মপাঙ্গল কল্লবা টিমশিংগা মায়োক্নবদা থোইদোক্না মতম চঙলরোই।

অন্দর-১৭ ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসিনা মপাঙ্গল কল্লবা নেসনল টিম অমা শেম্বদা অচৌবা মতেং অমা ওইরগনি। ফুটবোল লেজেন্দ গিগস রাইননা ফোঙদোকখিবদা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা অসিনা ইন্দিয়াদা ফুটবোলগী ঈহৌ অমা লাক্লগনি। মমাঙদা মালেমগী অফবা শান্নরোয় কয়াগী খূৎশান্না লাইফ ওইনা য়েংবা ফংলমদবা অদু অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ অসিনা ইন্দিয়াগী মীওই লাক্ষ কয়া লাইফ ওইনা উহনবা ঙম্লগনি।

মালেমগী মপাঙ্গল কল্লবা ফুটবোলগী মমিং লৈরবা লৈবাক কয়াগী শান্নরোয়শিং লাক্তুনা ইন্দিয়াদা শান্নবা অসিনা লৈবাক অসিগী মীওইশিংদা ফুটবোলগী ইথিল অমা পীরগনি। ইন্দিয়াগী কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা অন্দর-১৭ ফিফা ৱর্ল্ড কপ




অসিনা মীওই মিল্লিয়ন কয়া ফুটবোলগী ইপাক্তা তাওহল্লগনি হায়না মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী ফুটবোল লেজেন গিগস রাইনা ফোঙদোকখি।

পোর্টুগলগী প্লে মেকর অমা ওইরিবা লুইজ ফিগোনা প্রেমিয়র ফুটসালগী অনীশুবা সীজন হৌদোকখিবগা মরী লৈননা অন্দর-১৭ ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসিনা লৈবাক অসিদগী মালেমগী অফবা ফুটবোল্লর কয়া পুথোকপা ঙম্লগনি।

প্রেমিয়র ফুটসালগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা মশাগী চহী ৪৪ শুরবা ফুটবোল লেজেন লুইস ফিগোনা মখা তানা হায়, প্রোফেসনেল লেভেল য়ৌনবা ফুটবোল্লর অমনা হোৎনবদা টেলেন্ট চঙই। মদুগী মথক্তা নিংথিনা ত্রেন তৌবা তাই। লোয়ননা অতোপ্পা টিমশিংগা য়াম্না তোয়না কম্পিট তৌবা তাই হায়খি।

স্পোর্টস চাওখৎনবগীদমক ইনফ্রাষ্ট্রকচর চঙই। অফবা কোচ অমদি কম্পিটিসন কয়া চঙই। হায়রিবশিং অসি মপূং ফানা লৈরবতদা ঐখোয়না অফবা ক্বালিটি লৈবা স্পোর্টস পুথোকপা ঙমগনি। ঐখোয়না ফুটসাল স্পোর্টস অসি ইন্দিয়াদা চাওখৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। ঐখোয়না ফুটসাল চাওখৎনবা হোৎনরিবা অসি ফিফাগী মতেং পাঙবদা নত্তনা স্পোর্টস চাওখৎনবা হোৎনবনি।

ফুটসাল অসি হেন্না চাওখৎহন্নবা অমদি শরুক য়াবগী চাং হেনগৎহন্নবগীদমক খোঙথাং কয়া পায়খৎলগনি। হৌগৎলক্লিবা নহা কয়াদা মিৎয়েং থমদুনা ইন্দিয়াদগী অফবা ফুটবোলরশিং পুথোক্লবা হোৎনরি। ইন্দিয়াদা ফুটবোল মশান্না চাওখৎনবা হোৎনবদা ফুটসালনা রোল কয়া লৌরি।

রাইন গিগসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ফুটসালগী ফুটবোল মখল অসি শান্নবদা .খোয়না অচৌবা ফিল্ডগী মথৌ তাদে। ফুটসাল শান্নবদা ঐখোয়না শান্নরোয় ২২ চঙবগী মথৌসু তাদে। শুপ্নতগী অপীকপা মফম অমদা মীওই ১০ খক্তনা শান্নবা য়াই।

ফুটসাল শান্নবা অসিনা শান্নরোয়শিংদা বোল কাওবদা য়াম্না খোঙলৈ থুনা কাওবগী হৈশিংবা কয়া হেনগৎলক্কনি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্দগী করিগুম্বা মতেং অমত্তা ফুটসালদা পীরক্তবা অসিগী মতাংদা লুইস ফিগোনা হায়, এ আই এফ এফনা ফুটসালদা মতেং পাঙলক্ত্রবসু ঐখোয়না তৌগদবা থবক্তি লেপ্পুনা তৌগদবনি। এ আই এফ এফনা ঐখোয়বু তরাম্না ওক্লক্কনি। ঐখোয়গী থবক্তা মখোয়সু শরুক য়ারকখিগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা নবসানা ক্রাও ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৯ (ঐচ এন এস) :
মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমসুং মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৪ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা নবসা খা ইম্ফাল মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা নবসা খা ইম্ফালনা ক্রাও খন্নাম লৈরক ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা ক্রাও খন্নাম লৈরক্না টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌনবা খনখি। ক্রাও খন্নাম লৈরক্না ওভর ২৯.২ মায়োক্নখিবদা ৱিকেট পূন্নমক আউট ওইরগা রন ১৩৪ লৌখি।

ইন্নিংস অদুদা ফিল্ডিং তৌখিবা নবসা খা ইম্ফালগী বোলরশিংনা য়াম্না চেকশিন্না অমদি হৈশিংনা বোল লংখিবনা ক্রাওগী বেটসমেনশিং রন কা হেন্না লৌবা ঙমহনখিদে। ক্রাওগী বেটসমেন গোপেশ্বরনা বোল ৫৫ মায়োক্নখিবদা রন ৩২ লৌখি। রোকেটনা বোল ২৭ মায়োক্নখিবদা রন ২১ লৌখি। রোহেন্দ্রোনা বোল ১২ মায়োক্নখিবদা রন ১৫ লৌখি। পোইরৈতোন্না বোল ৯ মায়োক্নখিবদা রন তরুক লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা নবসা খা ইম্ফালগী বোলর সুরজিৎনা ওভর তরুক্তা ৱিকেট অহুম লৌখি। ইদিমাটনা ওভর ৫ দা ৱিকেট অনী লৌখি। সোমোরেন্দ্রোনা ওভর ৫ দা ৱিকেট অমা অদুগা ভোগেন্না ওভর তরুক্তা ৱিকেট অমা লৌখি। ক্রাও খন্নাম লৈরক্না থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীরদুনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা নবসা খা ইম্ফালনা ওভর ২৩.২ মায়োক্নখিবদা শুপ্নগী ৱিকেট অনীখক আউট ওইরগা রন ১৩৫ লৌদুনা ক্রাওবু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীখি।

নবসাগী বেটসমেন গৌতম্না নোট আউটতা রন ৬২ (৫৪), ব্রোজেন্না নোট আউটতা রন ২৯ (৩৭) লৌখি। মেচ অদুদা নবসা খা ইম্ফালগী গৌতম্না নোট আউটতা রন ৬২ (৫৪) লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। হয়েং সী সী সী লিলোং চজিং অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অনীনা শান্নরগনি।

# বিরাট অমসুং অশ্বিননা বি সী সী আই এৱার্দ নাইটকী লেমজনীংঙাই ওইরবা মনা ফংখ্রে



বেঙ্গালুরু, মার্চ ০৯ :
ইন্দিয়াগী কেপ্তেন বিরাট কোহলি অমদি স্পিন এজ রবিচন্দ্রন অশ্বিনবু বি সী সী আই এৱার্দ নাইট ২০১৭ কী লেমজনীংঙাই ওইরবা অৱাংবা থাক্কী মনা খূৎশিন্নদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

বি সী সী আই এৱার্দ নাইট ২০১৭ অদুদা বিরাট কোহলিনা পোল্লি উমলিগর এৱার্দ ফোর বেষ্ট ইন্টরনেসনল প্লেয়র ২০১৫-১৬ কী মনা ফংখি। বিরাট কোহলিনা হায়রিবা এৱার্দ অসি অহুম্লকশুনা ফংবা অহানবা শান্নরোয় ওইখ্রে।

মশক নাইরবা বোলর রবিচন্দ্রন অশ্বিননা চৎলিবা সিজন অসিদা য়াম্না ফজবা বোল্লিং পার্ফোমেন্স পীবগী মথক্তা রেকোর্দ কয়া থুগাইখিবগীদমক সী কে নায়ুদু এৱার্দ পীখি। এৱার্দ অসি মহাক্না কুমজা ২০১৬ কী ৱেষ্ট ইন্দিজদা পীখিবা পার্ফোমেন্স অদুগীদমক্তনি। মদুদা অশ্বিননা টেষ্ট মেচ মরিদা ৱিকেট ১৭ লৌখিবগা লোয়ননা নোর্থ সাউন্দনা ৱিকেট ৭/৮৩ লৌখি।

লেমজনীংঙাই ওইরবা মনা অসি ফংবদা বিরাট কোহলিনা হায়, হৌখিবা থা ১০ দগী ১২ ফাওবা অসি মহাক্কী ওইনা থাজবগী ৱাংমদা তৌখিবা থবকশিং অদু নীংশিংলকখি। ঐহাক্না মতম চুপ্পদা পূম্নমক্তগী অফবা ওইনীংই। ইন্দিয়াগী হান্নগী ৱিকেট কিপর ফরুক এঞ্জিনিয়রনা মেক পতাওদিগী মতাংদা থৌরমদুদা ৱা ঙাঙদুনা ইন্দিয়াগী লেজেন্দরি কেপ্তেন অসিগী কাউথোক্নরবা কয়াবু নীংশিংহনখি।

থৌরমদুদা ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী সী ঈ ও জেমস সুথরলেমসু শরুক য়াখি। ফরুক এঞ্জিনিয়রনা পতাওদিনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেটতা লৌখিবা থৌদাং অদুগীদমক্তা মীয়ামদা হায়খিবগা লোয়ননা পতাওদি অসি মীয়াম্না টাইগর হায়না খঙনরিবনি। মহাক লৈখিদ্রবসু মহাক্কী খূৎশান্না অদুদীদমক ৱর্ল্ড ক্লাস প্লেয়র অমা ওইনা মতম চুপ্পদা কাউঙমদনা লৈহৌরগনি হায়খি।

থৌরমদুদা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা মনা কয়া য়েন্থোকখি। হায়রিবা মনাশিং অদুদি কর্নেল সী দি নয়ুদু লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ, রজিন্দর গ্বেল অমসুং পদমাকর সিলভালকরনা ফংখি। বি সী সী আই লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ ফোর ৱিমেন্না শান্থা রঙ্গশ্বামিনা ফংখি। বি সী সী আই স্পিসিয়েল এৱার্দনা ভি ভি কুমারনা ফংখি। পোলি উমরিগল এৱার্দনা বিরাট কোহলিনা ফংখি। দিলিপ সরদেসাই এৱার্দ (ফোর ইন্দিয়া বেষ্ট ক্রিকেটর ইন দ ৱেষ্ট ইন্দিজ সেরিজ ২০১৬) কী মনানা রবিচন্দ্রন অশ্বিননা ফংখি। ললা অমরনাথ এৱার্দ ফোর দ বেষ্ট ওল রাউন্দর ইন রঞ্জি ত্রোফিগী মনা মধ্য প্রদেশকী জালাজ সক্সেনানা ফংখি। ললা অমরনাথ এৱার্দ ফোর দ বেষ্ট ওল রাউন্দর ইন দোমেষ্টিক লিমিটেদ ওভর কম্পিটিসনগী মনানা গুজরাটকী অক্সর পটেলনা ফংখি।

মাধবরাও সিনধিন এৱার্দ (হায়েষ্ট স্কোরর ইন রঞ্জি ত্রোফি) কী মনানা মুম্বাইগী শ্রীয়াস আয়রনা ফংখি। মাধবরাও সিন্ধিন এৱার্দ (হায়েষ্ট ৱিকেট টেক্কর ইন রঞ্জি ত্রোফি) কী মনা ঝরখণ্ডগী সহাজাব নাদিমনা ফংখি।

এম এ চিদম্বরম ত্রোফি (হায়েষ্ট স্কোর ইন অন্দর-২৩) কর্নেল নায়ুদু ত্রোফিগী মনানা মুম্বাইগী জে জি বোষ্টানা ফংখি। এ এ চিদম্বরম ত্রোফি (হায়েষ্ট ৱিকেট টেক্কর ইন অন্দর-২৩) কর্নেল সী কে নয়ুদু ত্রোফিগী মনানা মহারাষ্ট্রগী সৈত্যজিৎ বসাদনা ফংখি।

এন কে পি সাল্ব এৱার্দ (হায়েষ্ট স্কোরর ইন অন্দর-১৯) কুচ বিহার ত্রোফিগী মনা মুম্বাইগী অর্মান জাফরনা ফংখি। এন কে পি সাল্ব এৱার্দ (হায়েষ্ট ৱিকেট টেক্কর ইন অন্দর-১৯) কুচ বিহার ত্রোফিগী মনা বরোদাগী নিনাট রটভানা ফংখি। রাজ সিংহ দুঙ্গাপুর এৱার্দ (হায়েষ্ট স্কোর ইন অন্দর-১৬ বিজে মার্চেন্ট ত্রোফি) গী মনানা পঞ্জাবকী অভিসেক শর্ম্মনা ফংখি। রাজ সিংহ দুনগাপুর এৱার্দ (হায়েষ্ট ৱিকেট টেক্কর ইন অন্দর-১৬ বিজে মার্চেন্ট ত্রোফি) গী মনানা পঞ্জাবকী অভিসেক শর্ম্মনা ফংখি।

জগমোহন দালমিয়া এৱার্দ (বেষ্ট ৱিমেন ক্রিকেটর সেনিয়র) কী মনা রেলৱেজগী মিথালি রাজনা ফংখি। জগমোহন দালমিয়া এৱার্দ (বেষ্ট ৱিমেন ক্রিকেটর জুনিয়র) কী মনানা উত্তর প্রদেশকী দিপটি শর্ম্মনা ফংখি। বেষ্ট অম্পয়র ইন দোমেষ্টিক ক্রিকেটকী মনানা নিটিন মেনোনা ফংখি। বেষ্ট পার্ফোমেন্স ইন বি সী সী আই দোমেষ্টিক টুর্নামেন্টকী মনানা মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিএশন্না ফংখি।

HL-B/3673/17/2-22/3

## করাটেশান্নরোয়শিং খল্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ (ঐচ এন এস) :
আসামগী গুৱাহাটিদা লৈবা ভোগেশ্বরি ফুকানিনী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা এপ্রিল ৮ অমসুং ৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা আসাম ওপন ফুল কন্টেক্ট করাটে চেম্পিয়নশিপ অমদি ন্যু দেল্লিগী টিয়াগরাজ ষ্টেদিয়মদা এপ্রিল ২৮ অমসুং ২৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল মার্সেল আর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা মণিপুরগী অমদি ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয়শিং খন্নবগী সেলেক্সন টেষ্ট অমা থা অসিগী ১৯ গী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা খুরাই পুথিবা লৈকায়দা লৈবা ওকিবুকাই দোজোদা পাঙথোক্লগনি। কিয়োকুসিনকাই করাটে এসোসিএশন মণিপুরনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা থা অসিগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা এসোসিএশনগী ওফিসতা লাক্তুনা অকূপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি।






HL-P/1010/03/03-6/04




Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 8014686437
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.








Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com